ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯃꯦ ꯰꯹, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯴꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, মে ০৯, ২০২২, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ৪৩শুবা মশীং

# হিন্দিবু কম্পলসরি সবজেক্ট

## লৈঙাক্না মরোল অমদি লোল্লু

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা লৈবাকসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ক্লাস ৱানদগী টেন ফাওবগী মহৈরোয়শিংদা হিন্দিলোলবু কম্পলসরি সবজেক্ট ওইনা তমহল্লগনি হায়দুনা লাউথোকখিবদু মে ৭, ২০২২দা থা অমা মপূং ফাখ্রে। হোম মিনিষ্টরগী ৱাফমসি ফমসিবু খূৎপায়নরিবা অমিট শাহগী মশাগী ওইবা মরন্নাইগী ওইবা ৱাফম নত্তে। লৈবাকসিগী হোম মিনিষ্টরগী ওইবা ৱাফমনি। হায়বদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলক্লিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী ওইবা ৱাফমনি। ৱাফমসি ফোংনা ফোঙদোরকপগী মরুমদা মরম ময়াম শোয়দনা লৈরমগনি। মরম লৈতনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা পীক্কেরা-চাওগেরা ষ্টেট অমা খক্তসু নত্তনা ষ্টেট ৮ ইনভোল্ব তৌবা থবক অমা তৌরগদবনি হায়দুনা হেক্তা লাউথোরকফম থোক্তে। মরম ময়ামদুগী মনুংদা 'ৱান নেসন, ৱান রিলিজন' হায়বা মঙলান্দুগী পান্বে ওইনবা হোৎনরকপা ওইরম্বসু য়াই নৎত্রগা চহী কয়াগী মমাঙদগী তোঙান্না নাইতোম লৈজরগে হায়বদগী হেন্দোরক্তুনা তোঙানবা কন্সটিটিয়ুসন, তোঙানবা ফিরাল ফাওবগী দিমান্দ তৌবা য়াওনরকপনা লৈবাকসিগী অৱাং নোংপোক রিজন অপুম্বা নৎত্রগা রিজনসিগী ষ্টেট খরা লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদগী নান্থদুনা মাঙখিদনবা, অমত্তা ওইবগী অকনবা লংলানা চেৎনা পুন্দুনা থম্নবা হোৎনরকপসু ওইরম্বা য়াই। মরমদি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী ৱাফমসি মণিপুর য়াওনা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্ট, ১৯৫৮ চৎনহল্লক্লিবা ষ্টেটশিংদগী এক্টসিগী মখাদা থল্লকখিবা দিষ্টর্বদ এরিয়া ষ্টেটসকী অথিংবশিং লোইনমক লৌথোকপা নৎত্রবসু খরা খরা লৌথোকখিবগা ইকান-কান্নদনা লাউথোরকপনি। ইশম-শম্বদা অপূনবা ইন্দিয়াগী শক্তম অমসুং ফীভম হেন্না ময়েক লাহন্নবা অনৌবা থৌরাং থৌশিলনি হায়বদা লাল্লরোইদবা ৱাফমনি।

অদুবু হৌজিক চোংথোরক্লিবা ৱাফমদি অসিগুম্বা ষ্টেট ৮ লৈবা লৈবাকসিগী রিজন অমগী অনৌবা ওইরবা থৌরাং অসি পায়খৎতুনা থবক্তা ওন্থোক্লগনি লাউথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা নৎত্রবসু গভর্ণমেন্টসিবু মহুৎ শিন্দুনা মসিগী মায়কৈদগী লাউথোরক্লিবা হোম মিনিষ্টরগা হান্না মাঙজৌননা তান্ন-তিক্নবা তৌফম থোক্তব্রা হায়বসিনি। তান্নরমদবনা থোক্তবসু ওইরমগনি। লৈবাকসিগী মপু ওইদুনা লৈঙাকলোন পায়রিবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা লৈবাকসিগী কন্সটিটিয়ুসননা পীবা পৱারদগী ওইরম্বসু য়াই। মরমদি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা নৎত্রবসু লাউথোরক্লিবা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা খন্নরমদে অমসুং তান্নরমদে হায়বসি নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টননা রিয়েক্ট তৌরক্তুনা মখোয়গী লৈঙাক্কী ওইজবা অনীংবা অপাম্বা অমসুং তৌগদবশিং ফোঙদোরকখ্রিবা অসিনসু তাকই। মসিদগী মখা তানা লাক্লিবা ৱাফমনা নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমসিবু য়াব্রা অমসুং ফোঙদোকফম থোকপ্রা হায়বসিনি। মরমদি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লাউথোরকপা অনৌবা থৌরাং-থৌশিল অমগী মায়োক্তা ষ্টেট অমনা লেপ্পা ঙমব্রা? ঐখোয়দি তৌরোই, য়ানীংদেগা হায়বা ঙম্বগী পৱার লৈব্রা হায়বসিনি। অমবু ওইরে অমবু ওইরে মসিনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকা ষ্টেটশিংগা লৈনবা মরী, য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাকশিংগী ওইনা লৈজবা ঙম্বা-ঙমদবা পৱারশিংগী মনুংদা লৈজখ্রসনু। অদুবু লৈবাকসিগী কন্সটিটিয়ুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চল্লবা লোলশিংসিবু লৈবাকসিদা পূন্না লৈমিন্নরবনি হায়দুনা মমালোনসু নত্তবা ফুরুপ-কাঙলূপশিংগী মহৈরোয়শিংদা নমদুনা তমহনবদি কন্সটিটিয়ুসননা অয়াবা পীব্রা হায়বসিনি। অদুগা তম্নিংলগনা তম্বা, তমনীংদ্রগনা তোকপসু য়াব্রা হায়বা ৱাহংসিগী পাউখুমসু মীয়ামদা পীফম থোকই। মরমদি নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টকীদি হান্নদগী তমহল্লকপা ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবদা লৈবা মহৈরোয়শিংদা খক্তা তমহনগনি হায়খ্রে। ক্লাস টেন ফাওবা কম্পলসরি সবজেক্ট ওইরোই হায়রি। মণিপুরগীসু আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটিয়ুএন্সিগী এম পি লোরহো এস ফোজেনদি হোম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীদুনা মণিপুরগী মহৈরোয়শিংদা ক্লাস টেন ফাওবা কম্পলসরি ওইনা তমহন্নবা ইম্পোজ তৌশিল্লক্কনু হায়খিবা লৈখ্রে। অদুবু য়াবিরকপা নৎত্রগা য়াবিরক্তবনা ৱাফম অমা ওইখ্রগা হোম মিনিষ্টরগী ৱাফমসিগী মতাংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওইবা ফিরেপ অমদি ফোঙদোকফম থোক্তব্রা? তঙাইফদনা মণিপুরগী এম পি অমা ফাওবা এদ্যুকেসনগী পোর্টফোলিও পায়দুনা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর ওইবসু য়াওরিবনি। ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবদৌনা চুপ লুপ্তুনা লৈশিনবগী মহুত্তা হোয়নি-মাইনি হায়বগী মরোল অমদি লোনফম থোক্তব্রা? মহৈরোয় লূপ ৬নদি মে ৬, ২০২২দগী ফোংনা থোরক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌবা হৌখ্রে। অশোক-অপন য়াওরকপা ঙাইরিবরা?

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪১

১) অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী মনুংদগী ৱারী অনীখক, **"য়াম্না হকচিনবা নুংশি নুংওনগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা ঙাক্তনি। অনীমক পাখঙ লৈশাবী, নুংশিনবা ৱানা থুংনবা নৎত্রগা কায়নবা নত্তে। য়ূম পাল্লবা, নুংশিননা লৈরবা তুংদা কায়নবা অমসুং অঙকপা থৌনাগা লোয়ননা হঞ্জিন্নবা ঙাক্তনি।"** ৱারী অনীসি মমিংসু ওইরিবা লাইরিক্তু করিনো?

২) **"মিৎয়েং অমা"** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

৩) **"ত্যাগ পত্র"** হায়বা ওরিজিনেল লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা করি মমিং থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) ***"লীগী লীশাগা শম্নবা/খূৎনা পায়বগুম লৈরিবা/চাংজৌ নীঙজোন্দে তাখ্রবা/গম্ভীরা তুরেল মহাক্কী/অমুবা লাইজ চরৈবু/হাইদোক্লগা কুমথরকপা/নঙনা লম্ফে চৎলুবদি/য়াম্না লুনা থোক্লরনি।/মহাও খঙলবা কনানা/খ্বাঙদৈ চরৈ নান্থখ্রবী/নুজা মাবু হুন্দোক্তুনা/খোঙশানবা ঙম্বা য়াওবগে?"*** শৈরেং মতেক অসি মহাকবি কালিদাসকী "মেঘদুত" হায়বদুদগী মণিপুরী অনুবাদতগীনি। অনুবাদ তৌরিবসি কনানো?

৫) ১৯৪৯ ইং নবেম্বরদা অহানবা নম্বা **"ইখৌ-লাংবা"** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

| পাউখুম পীবিরিবা ঃ |
| --- |
| ডা. এম থোইথোই সিংহ |

Q. ঐগী ষ্ট্রোবেরি থাখিবা থা মরি মখায় শুখ্রে। পোলি মলচ্সু হাপ্লিবনি অদুবু চারা শন্দোকপা মরী য়াম্না থোক্লক্তুনা মহৈ, মপাল কয়া উদে। পানবগী চাং নেম্মী। মসি করি অশোয়বা লৈবননো?

- এলাংবম রবিচন্দ্র
ৱাংজিং তেকচম লৈকায়



☞ ষ্ট্রোবেরি থারিবা ফৈদোমশিংদা চেরং (পোলি মলচ্) হাপ্পনা নাপী হৌহন্দে, লৈবাক্তগী ঈশিং মনিল পাইখৎপগী চাং হন্থহল্লি। চারা শন্দোকপা মরী (রনর) পুথোকপগী চাং নেমহল্লি।

অদুবু রবিচন্দ্রগী ষ্ট্রোবেরিদা রনর য়াম্না থোক্লিবসি ঈশিং হেনবগী অমসুং নাইট্রোজেনগী চাং ৱাংবননি। মসিনা মরম ওইরগা পান্বীগী মনা অমসুং শাহৌ য়াম্না ফজবা অমসুং মনাশিং য়াল্লিবনি; মপাল শাবা অমসুং মহৈ য়ানবগী চাংসু হন্থহল্লি।

খুদোং চাদবসি ফনবগীদমক পোটাস গ্রাম ১৫০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা তুমহনবীরগা পান্বীগী মখোঙশিংগী অকোয়বদা স্প্রেয়রগী মতেংনা লৈবাক চোৎনবা (পান্বীগী মরা লৈবা মফমখক) কাপ্পীগনি। লৈবাক্কী ঈশিং ইনিল হন্থদ্রিফাওবা হায়বদি নুমিৎ ৭-১০নি ফাওবা ঈশিং পীরোই।

পোলি মলচ্না কুপ্লবা ষ্ট্রোবেরি থাফম অয়াম্বা ড্রিপ পাইপ হাপ্পী। ঈশিং হেক থাবদা পান্বী খুদিংমক্তা ঈশিং পী। ঈশিংগী মথৌ তাদবা পান্বী য়াওনা ঈশিং ফংবসিনা খুদোংচাদবা কয়াসি থোকহল্লি। মসি থোক্তনবা সব-লাইন (ড্রিপ পাইপশিং শল্লিবা খরা চাউবা পাইপ) দা শল্লিবা ড্রিপ পাইপ খুদিংদা ঈশিং থিংবা/থাবা য়াবা ষ্টোপ্পর হাপকনি। ঈশিং থানীংদবা ফৈদোমশিংদা ঈশিং হেন্দনবা হোৎনগনি, থিংজিন্দুনা থমগনি। ষ্টোপ্পর অমগী মমল লুপা ১০দগী হেন্দে। ঐখোয়না ফৈদোম খুদিংদা থাখিবা ষ্ট্রোবেরি নোংমতদা থাখিবা নত্তবনিনা মথৌ তাবা ঈশিংগী চাংসু খেন্নে। ঈশিং মথৌ তাদবা মফমদা ঈশিং পীদবা হায়বসি পান্বীগী মরাশিংসু মশা ফগনি।

পামদবা রনর (চারা শন্দোকপা ঙম্বা মসাশিং) Secateur (মসা থানবা কাটি) গী মতেংনা লৌথোকপা অমসুং অরিবা, অহেনবা পামদবা মনাসু লৌথোকসি।

মতুংদা Pushpak মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকসি। মানা য়াম্না হেল্লবা মফমশিংদদি Pushpak কাপলোই, মপাল শাবা অমসুং মহৈ য়ালহনবদা মতেং পাংবা অমসুং য়াম্না ঈংবা অমসুং য়াম্না শাবনচিংবা মখল কয়াগী ষ্ট্রেসতগী ঙাকথোক্লবা *Ascophylium nodosum* দগী সুংবা Alivio মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা পান্বীগী মনাশিং চোৎনবা নুংথিলগী মতমদা কাপথোক্কনি।

**(ক্লেসন হংবীরকপশিংনা মরী লৈনবা ফোটো হাপ্পীরক্লগদি হেন্না নুংঙাইজগনি।)**

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]
চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা
অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল ***hueiyenagri@gmail.com*** দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।

# অরানবা লৌউ কাঙলোননা মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভমদা পীরিবা চৈথেং

**- এস সুমঙ্গল -**

ঐখোয়না তোয়না তানরবা ৱাফম অমা থমজবা তারগদি অকোয়বগী ফীভম, ঈশিং-নুংশিৎতা অহোঙবা কয়া অমা লাকপনা মরম ওইরগা শাবগী চাং হেনগৎলকপা, মসিনা নাকোয়ননা অমদি হকথেংননা পীরক্লিবা অকায়বা কয়া অসিনি হায়বা তাই। মসিদা লৌউ-শিংউ তৌবনা চাং কয়া য়াম্না শরুক য়াবগে হায়বদু খঙমিন্নবা তঙাইফদব্রা হায়না খঞ্জে। ঐখোয় হৌজিক ইমাদি ঙকশম য়ৌরে হায়বদুগী তাঞ্জা য়ৌরবনি। খঙশিন উশিন্নদনা ইশাগীতা খন্দুনা লৈথোকপা চুম্লরোই খঞ্জে। মণিপুরগী ওইনা থমজরবসু মায়কৈ অমরোমদনা উমং কোকথোকপনা পীরক্লিবা চৈথেং - লৈনাং চেন্থরক্তুনা তুরেল খোংনুং থেনগৎলকপগী, কুমগী নোং লাকপদা ঈশিং খংচাও চাওরক্তুনা শেমজিলহৌদ্রবা তুরেল লৈরাই নিংখাইদুনা খূৎশেমগী ঈচাও থোক্তুনা লৌউ মহৈ মরোং মাঙহনবগী য়ূম কৈ তেকপগী; লোক্তাক পাৎকী হাইদেল পৱার প্রোজেক্ট পান্দম য়াওদবদগী/শোয়খিবদগী, শোয়হনখিবদগী লোক্তাক্তি থেনগৎলক্লগা পাকথোক চাওথোরক্তুনা ইমুং কয়াগী লৌফম পাৎ ওনখিদুনা লৌফম মাঙশিল্লকপগী; অমরোমদনা অফবা লৌফমশিংদা ইন্দষ্ট্রিয়েলাইজেসনগী মিংদা শেমজিন শাজিল্লকপনা লৌফম হন্থরকপগী, লৈরিবা লৌফমশিংদনা লৌউ কাঙলোন কায়বদগী লৌফম ফৎচিল্লক্তদুনা পোথোক হন্থরকপগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈদা মীশিংদি অসুম অসুম হেনগৎলক্কনু য়াদবনা চাননবা পোথোক কোন্নরক্তবগী, মায়কৈ খুদিংমক্তগী অশোয়বা কয়ানা কোইশিল্লক্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই খঞ্জে। মরম কয়াসিনা ঐখোয়গী ইহাকথক অসিদা ইশাদি খঙজদনা অশিঙবা শাদুনা লৈরগা মীপান তাংদুনা অসুম নিদুনা হিংবা হায়বদু ওইরব্রা? ঐখোয়গী চারোল শুরোলদি কমদৌহৌবা? ঐ ঐগী শোয়দ্রগা লোইরে খন্নদুনা অদুমক লৈনরগদি থৱায় পানবা খুদিংমক্তগী খ্বাইদগী অথোইবা, অহেনবনি খন্নরিবা মীওইবা ঐখোয়না শেল্লিবা লৈঙাক্লোন, ৱাঙুলোন কয়া অসি লৈনা লৈনা তাদুনা অদুম লৈরগা অমরোমদনা উমংদা লৈবা শাহিং চাবা চাদবা ময়ামগুম মহৌশাগী নেচরেল সেলেক্সন/সর্ভাইবেল ওফ দি ফিটেষ্ট হায়বদি অঙম অঙম্বা হায়বরোমদা লাক্লব্রা হায়বদু য়ৌরমাল্লে। ফংফম থোকপা লৌমীনা ফংগদবা হার, পুখ্রি তৌবগী, অতোপ অতোপ্পা লৈঙাক্কী থৌশিল থৌরাং কয়াগী কান্নবা শরুকশিং ফংফম থোক্তবা কনা অমনা ফংখিবগী অরেম্বদা কান্নদনা মাঙখিবগী অৱাবা - পোথোক পুথোক্লগনা য়োনফম লৈতবগী, শেন্দোংনা লান্না, ফংফম থোকপনা মতিক চানা ফংদ্রগা ফংফম থোক্তবনা ফংদুনা পুথোক্লিবা মীদু শিখ্রগা পুথোকপীনবা লৈতদুনা নিদুনা চাহৌগদ্রা হায়বগী অৱাবা কয়ানি হৌজিক থেংনরিবা। খরদি কনমল্লমাল্লে ইরিবসি অদুবু অচুম্বদি ঙাক্তনি হায়না খঞ্জে। পূম্নমকসি থমজবগী মরমদি মতম চানা চুমথোকমিন্নহৌদ্রগদি তুংগী মীরোলনা ঐখোয়বু থীনা চৈনহৌরোইদবগী মরম লৈরোই।

মীয়াম্না তোয়না তানরবা ক্লাইটেট চেঞ্জ, গ্লোবেল ৱার্মিং, হোংলক্লিবা নোংজুগী ফীভম কয়া অসিনা অকায়বা কয়া অমা পীরক্লি হায়বসি লৌশিং তাবা কয়া অমনদি য়াম্না হকচিন্না লৌদুনা খোল্লাউ কয়া লাউনরক্লি। পূম্নমকসি ঐখোয় মীওইবনা খন্থহৌদবা, হেঞ্জিন্না করাম্বা মীওইবা ঐখোয়না থোকহনবা ঙাক্তনি হায়বসি য়াজফম থোকপ্রা খল্লি। মীওইবা ঐখোয়না মসি হীরম অমদি থৌরম কয়াদগীনি। মখোয়গী মনুংদা লৌউ-শিংউবনা করি শোয়বদগী থোক্লকপা হায়বদু খরা থমজগে।

হারনা থোকহনবা মোৎশিনবা (পোল্যুসন) : য়ুরিয়া হায়রিবা হার অসি য়াম্না কান্নবা হার মখলনি। মানা পীরিবা নাইট্রোজেন হায়রিবা পান্বীগী মচিঞ্জাক মচন অসি পান্বীনা খ্বাইদগী হেন্না য়াম্না চঙবা মচল অমনি। মসিনা পান্বীগী মচিঞ্জাক শুংবদা চঙদবা য়াদ্রবা মরু ওইখ্রবা অশংবা শরুক (ক্লোরোফিল) শাবদা য়াওরিবনি অমদি প্রোটিন শুংবদা চঙদবা য়াদবা মচল অমসু ওইরিবনি। অদুবু য়ুরিয়া চাং চাদনা কা হেন্না অমদি শোয়না চাইবদগী অমাঙবা কয়া অমদি থোকহল্লি। ফন্না য়াম্না কাঙলোন চুম্না চাইরবসু চাইরিবা য়ুরিয়া হারগী চাদা শরুক ৬০দগী হেন্না অদুমক মাঙই। মদুদসু পান্বীগী তঙাইফদবা অদুদগী অমুক হেন্না চাইরবদি অমুক্তা হেন্না মাঙননবগী মরম ওইহল্লি। মসিনা লৈবাক্তা, ঈশিংদা, নুংশিৎতা তিনখিদুনা মথক্তা পঞ্জখিবা মাঙবা কয়া হায়বদি ক্লাইমেট চেঞ্জ, গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপগী অমাঙবা কয়া অদু ওইহল্লকপদা অচৌবা থৌদাং য়াই, হকচাং শোকনীংঙাই মচাক কয়া অমসু ওইহল্লকই। নাইট্রোজেন ওক্সাইদ মখল কয়া অমনা ঈশিংদা, নুংশিৎতা তিনখিবদগী পূম্নমকশিং অসি ওইহল্লকই। নাইট্রোজেনগী হার চাং চানা, মতম চানা খূৎচাই চুম্না হাপ্পা মথৌ তাই। অসিগীসু মথক্তা য়ুরিয়াখক্তা হেন্না শীজিন্নবনা অতৈ হার ৱাৎপগী খুদোংথীবা মচল শুদবা চিঞ্জাক ওইননবা মচাক অমসু ওইহল্লি।

য়ুরিয়া হার হাপ্পদা চেকশিনগদবা খরা থমজগে। সোইল টেষ্ট তৌরগা ৱাৎলিবা শরুক খঙদোকসি। য়ারিবমখৈ অয়াবা মফমদা চবাক ওইনা চাইবা তোকসি। পান্বীগী মরু ওইবা তাঙ্ককশিংদা অপূনবা চঙগদবা য়ুরিয়া অদু শরুক অনী নৎত্রগা অহুম/মরি থোক্না খাইদোক্লগা চাইসি। খরথক মেনখৎপগী ওইরবদি মনাদা ১/২/৩% পান্বীগী মতুংইন্না শেল্লগা কাপসি। নীম কোত্তেদ য়ুরিয়া শীজিন্নসি, ঈশিং অরুবা মফমদা ফৌদা য়ুরিয়া চাইবদা লৈবাক লৈঙোইগা তোৎশিল্লগা চাইসি, য়ুরিয়া য়াল্লবা লৈবাক মতুম তাদুনা চাইসি। নেনো য়ুরিয়া থোরক্লে, শীজিন্ননবা হোৎনসি। খঙজিনমিন্নবা য়াবা অমনা লৈনুঙদা চঙখিবা য়ুরিয়া হার অয়াম্বা নাইত্রেদ ওইনা তুংশিল্লি, মসি তোয়না থক্লবদি "ব্লু বেরি সিন্দ্রোম" কৌবা অঙাংদনা খরা হেন্না শাথীবা লায়না থোকহল্লি, অঙাং চাউবা থিলহল্লি, শিবা ফাওবা য়াওই।

ফোসফরসকী হারসু অদু মঙাই, চাদা ৮০ ফাওবা অদুমক পান্বীনা ফংদনা মাঙখি। হার মখলগী ওইনা চাইবগী মতম খঙনা চাইসি। রোক ফোসফেট থা মখায় - থা অমা ৱাৎলিঙৈদা চাইগনি। সিঙ্গল সুপর ফোসফেট ঈশিংদা তুম্বা হারনি, পোৎ থারমদাইদা চাইবা কাইদে, পান্বীগী মখোঙ ময়াদা হাপ্পসু য়াই। হেঞ্জিন্না চাইখিবা ফোসফরসকী হার লৈনাং ওইনা চেন্থখিদুনা ঈশিং য়ৌরকই, ঈশিংদা য়ুত্রোফিকেসন কৌবা থৌওং হায়বদি পান্বীশিং মশীং হেনগৎলকপগী, ইশং য়াম্না হৌজিল্লক্তুনা থৱায় পানবা ঙা অমদি অতৈশিং পাক্তক্লনা শিবা থোকহল্লি। অতোপ্পা হারশিংদা হূ চেল্লবা হেভি মেটল কৌবা পোৎলমশিং ঐখোয়না চারিবা পোৎলমশিং অমদি ঈশিংদা য়াওশিল্লক্তুনা হকচাংদা শাথীবা কেন্সরনচিংবা লায়না কয়া অমা থোকহনবা য়াই। হার চাইবদা কাঙলোন চুম্না অখঙ অহৈ তানদুনা চাইবা ফৈ।

তীলহাৎ হীদাকশিং লান্না শীজিন্নবগী অমাঙবা : হীদাক কয়া অমা বেন তৌখ্রে অদুবু মখোয়না পীরল্লিবা অমাঙবদি হৌজিক ফাওবা লোইদ্রি হায়বা তাই। হীদাক কয়া অমগী লেমহৌখাকশিংনা অমদি খুদক্কী ওইনা মাঙহল্লিবসি খঙদনা য়ামখ্রবা জাৎনি। হৌজিকসু লোইবা নাইদ্রি। মখোয়না কান্নরবা হিংকুপ কয়া, পান্বীনা মহৈ য়ানবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা তীল-হয়িং খোই, অতৈ অতৈ হাৎতোকপী। মসিনা মহৌশাগী খল কায়থরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌই। ইন্দিয়াগী ওইনা চহী অমদা তীল হীদাক অসি ঈশিং নুংশিৎতা টন ৬০০০০ থাদোকই হায়না পানৈ। হকশেলগী লম্দা মসিগী অপূনবগী শরুক অহুম অদুগা লৌউ শিংউবনা শরুক অহুমগী অনী থাদোকই হায়রি। চাং চানা, মশক খঙনা, কাঙলোন চুম্না শীজিন্নসি। হূশিং অসি খজিক খজিক য়াওরবা অপীকপা থৱায় পানবশিং মশীং খরা হেন্না অচৌবশিংনা চাই। মশীং য়াম্না চাদুনা হূ য়াম্না য়াওরবশিং অদুবু অমুক মীওইবা ঐখোয়না চারিবনি। মতম অদুদি হূ অসি অসুক্কী মতিক চাং ৱাংনা য়ৌরকই। মসিবুনি "বাইও এমপ্লিফিকেসন" নৎত্রগা বাইও ভেক্লিফিকেসন হায়নরিবসি। হূ য়াম্না হকথেংননা চাশিন্দ্রবসু ঐখোয় মীওইবা অদুমক য়ৌরক্তুনা শাথীরবা লায়না কয়া অমা পোকহল্লি। ঐখোয়না লৈরিবা শা-ষণ অমদি ঙাশিংদসু অদু মঙাই।

মরমশিং অসি লৈবনা ৱাখল তারবা মীওইবা ঐখোয়না খুদিংমকপু ৱাখল তামিন্ননবা পায়খৎলিবা থৌশিল থৌরাংশিং পুকচেল শেংনা মফম চানা য়ৌনবা হোৎনমিন্নদুনা তুংগী মীরোলশিংগীদমক খন্থমিন্নবগী মতম হেনখিগদৌরে। মরী লৈনবা পূম্নমক্না মায়কৈ খুদিংমক্তগী হোৎনমিন্নরসি। ●

# অঙনফৌ লৌফমদা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টগী মরু ওইবা

**ডা. ৱাইখোম জিতেন**

ফৌ থারিবা লৌফমশিংদা গ্রীন রেভল্যুসনগী মমাঙদা চাথোক য়াম্না নেম্না থোক্লম্বদগী অহেনবা মীয়াম অসি চাবা কোন্ননবা হোৎনরকপদা তোঙান তোঙানবা পান্বে কয়া অমা শীজিন্নদুনা ঙসিগী ওইরিবা ফৌথোক্কী চাং অসি য়ৌরকখ্রবা মতুং মখা তানা অহেনবা পোথোক পুথোকপা ঙমদনা লৈরক্লি। অমরোমদা অমুক অহেনবা পোথোক পুথোক্লবগী মরু ওইবা পান্বে অমা ওইরিবা খূৎশেমগী হার মখলশিং (নাইট্রোজেন, ফোসফরস, পোটাশ) হান্না শীজিন্নরম্বা চাংদগী হেনগৎনা শীজিন্নরবসু পোথোক হেন্না পুথোকপা ঙমদনা লৈরক্লিবসি মতম শাংলে। অসুম্না ফৌথোক্কী চাং হেনগৎহনবা ঙমদবা/হন্থহন্নবগী তোঙান তোঙানবা মরমশিংগী মনুংদা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট হায়রগা খঙনবা পান্বীগী মচিঞ্জাক্কী মচলশিং অসিগী মনুংদা অমা নৎত্রগা অমা ৱাৎপসিসু মরম অমা ওইরে। মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট হায়বসি পান্বীনা চাং য়ামদনা মথৌ তাবা অদুগা য়াওদবদি য়াদবা মচিঞ্জাক্কী মচলশিং অদুবুনি। মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট হায়রগা খঙনবা ফৌ পান্বীগী মচিঞ্জাক্কী মচলশিং অদুদি জিঙ্ক, আইরন, কোপর, মেঙ্গানিস, বোরোন, মোলিবদেনম, সিলিকোননচিংবনি। চাং য়ামদনা মথৌ তারবসু চাং য়াম্না মথৌ তাবা পান্বীগী মচিঞ্জাকশিংগা য়েৎনবদা পান্বীশিংদা মরু ওইবদি চপ মান্নে। মরম অসিনা অসিগুম্বা পান্বীগী মচিঞ্জাকশিং অসিগী মনুংদা অমা ৱাৎপদা পান্বী অদু মপূং মরৈ ফাবা ঙম্লোই।

মালেমগী ওইনা ফৌ থারিবা অপূনবা লৌফমগী চাদা ৫০দি জিঙ্ক ৱাৎলি। অদুগা লৌউ-শিংউ তৌরিবা অপূনবা লমগী চাদা ৩০না আইরন ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্লরি। হৌজিক্কী মতমদা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্লরকপগী মরু ওইবা মরমশিংদি হেন্না চাথোক লৈবা ফৌগী মখলশিং থানরকপনা মরম ওইদুনা লৈবাক্তগী পান্বীগী মচিঞ্জাকশিং হেন্না লৌথোকখিবা, চহী চূপ্পা পোৎ চৈ থাদুনা লৌফম হাঙহল্লক্তবা, ষন্থি-ষণয়ুং অমদি পান্বীশিংদগী পথু-পুমথহল্লগা শেম্বা হারশিং শীজিন্নবগী চাং য়াম্না নেম্বা, তোঙান তোঙানবা পান্বীগী মচিঞ্জাক মখল শুনা য়াওবা হার শীজিন্নবগী মহুত্তা পান্বীগী মচিঞ্জাক্কী মচল অমা/অনী খক য়াওবা হার শীজিন্নবা, পান্বীগী লেমহৌ-খাকশিং লৌফমদা খোইজিন্দুনা শীজিন্নবগী লৌশিং ৱাৎপনচিংবনি।

মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং অসি লৌফমদা ৱাৎলে হায়বসি লৌফম অদুগী লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌরগা খঙবা নৎত্রগা লৌফমদা থারিবা পান্বীশিং অদুদা য়াওরিবা পান্বীগী মচিঞ্জাক্কী মচলগী চাং অদু য়েংলগা খঙবা নৎত্রগা থারিবা পান্বী অদুদা করিগুম্বা লায়ওং খরা উৎলক্লগা খঙগদবনি। অদুবু লৌফম অদুদা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট ৱাৎলে হায়বগী লায়ওং পান্বীশিংদা শুংউৎ উৎতনা চহী কয়া অমা লৈবা য়াই। অসুম্না লায়ওংদি উৎতনা লৈরিবা মতম অসিদা পোথোক চাথোক্তি চাদা ২০গী মথক্তা হন্থহনবা ঙমই।

মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট ৱাৎপগী খুদোংচাদবশিং অসি কোক্লবা ঐখোয়না পায়খৎফম থোকপা লৌউ কাঙলোনশিং কাঙলোন চুম্না পায়খৎপীগদবনি। মাইক্রোন্যুত্রিএন্টকী মখলশিং অসি কয়া য়াম্না, করম্বা মখলগী করম্বা মওংদা অমসুং মতমদা শীজিন্নগদগে হায়বসি ন্যুত্রিএন্ট মখল অনী/অহুম ৱাৎলক্লবা, ৱারেপ লৌবা মতমদা য়াম্না চেকশিনবা তঙাইফদে। মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট ৱাৎপগী অৱাবদগী ন্যুত্রিএন্টশিং অসি হেনবদগী থোকহনবা খুদোংচাদবশিং অদু মায়োক্লবনা হেন্না ৱাই। মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং অসিগী মনুংদা অমা হেনবনা অতোপ্পা ন্যুত্রিএন্টশিং পান্বীনা লৌখৎপদা অপনবা পী অমদি অদুগুম্বা ন্যুত্রিএন্টশিং ৱাৎপগী লায়ওং উৎলক্কনি।

ফৌগী অহেনবা পোথোক পুথোক্লবগীদমক নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাসিয়ম কৌবা পান্বীগী মচিঞ্জাক অসিগী মথক্তা হৌজিক্কী মতমদা অয়াম্বা লৌফমদা চাং নেম্না য়াওরবা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং ফৌ থাবদা শীজিন্নবীগদবনি। অসুম্না তৌবা অসিনা ফৌগী অহেনবা পোথোক পুথোকপখক নত্তনা লৌফমগী লৈবাক লৈহাওদা য়াওগদবা পান্বীগী মচিঞ্জাকশিং খল চানা থম্বদা মতেং পাংই। অমরোমদা অমুক ফৌদা য়াওরক্কদবা মীওইবনা মথৌ তাবা মচি ওইবা মচলশিং শুনা, মপূং ফানা ফংহনবদা হৌরিবা পান্বীশিংদা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং অসি পীবসিসু য়াম্না মরু ওইবা থৌওং অমা ওইরি। মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং অসি লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌরবা মতুংদা লৌফমদা য়াওরিবা চাং অদু য়েংলগা লৈবাক্তা হাপ্পীবা নৎত্রগা ফৌ পান্বীশিংদা শীজিন্ননবা পুথোকপা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট মিক্সচরশিং ঈশিংদা থিৎলগা কাপ্পীরবদি ফৌথোক হেনগৎহনবগা লোয়ননা চারিবা মীওইশিংগীসু মশা মউ ফনা লৈবদা মতেং পাংগনি। ●